[illegible]

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

লোকদাউনা অৱাবা মায়োক্লরিবা ককচীং তুরেল ৱাংমা ৱাটর সপ্লাই মনিংদগী ইমুং ৬২, লমজাও মখা লৈকাই, লাংমৈদোংগী ইমুং ২৯০দা রাম কৃষ্ণ মিসননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখিবা

লামায় ৬

থাঙ্গাল শুরুংদা খুন্দারিবা থাঙ্গাল ফুরুপকী খুঞ্জাশিংনা মফম অদুদা হৌবা মনা-মশিং কয়া নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবদা তেংবাংখিবগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল তমখিবা

লামায় ৩

ৱাংজিং-তেন্থা ফার্মরস দিভলপমেন্ট এসোসিএসননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লৌবুকশিংদা থবক শুরিবা লৌমীশিংদা য়েম্থোক্লগদবা অচা-অথক পুবা গাড়ীশিং এক্স মিনিষ্টর এম হেমন্তনা লমথাখিবা

লামায় ৬

ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন খুমুকচম লৈমনা ককচীং খুনৌ ৱার্দ নম্বর থ্রীগী য়ূমথোঙশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখিবা

লামায় ৬

Vol. 44, Issue No.050 | ইরাই, কালেনগী ২৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, May 15, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

মণিপুরদা থোক্লকখিবা বস ১ এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ৭ শোক্লে

ইম্ফাল, মে ১৪(ঐচ এন এস):

অসামদগী মণিপুর তম্লা থোক্লকখিবা বস অমা কার্বি অংলোং দিষ্ট্রিক্টকী বকালিয়াদা লৈবা মফম অমদা এক্সিদেন্ট থোকপদা বস অদুদা তোংলকপা মীওই তরেৎলোম শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অসি বকালিয়া পুলিস ষ্টেসনগী মনাক্তা হৌখিবা মে ১২গী অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদুদি মেহেরউদ্দিন, অজাদ মন্দল, অজিজুল মন্দল, বোলেন দাস, শের অলি শৈখ, হাফিজুদ্দিন শৈখ অমসুং অতাওউর রহমন কৌই হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টতগী অয়াবা লৌরবা মতুংদা মীওই ১৭ বস অদুদা তোংদুনা মণিপুরদা থোক্লকখিবনি। শোক্লবশিং অদু বকালিয়া কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা ফর্ষ্ট এইদ পীরবা মতুং অতোপ্পা বস ১ ওথোরিটিনা শিন-লাংলবা মতুংদা মণিপুর তম্লা লাকখ্রে হায়রি।

অয়াবা য়াওদনা মপান্দগী পুশিল্লকপা থিংলে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):

সেন্ট্রেল লাইসেন্সিং ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা অতোপ্পা মফমদগী ষ্টেট অসিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা থিংলে হায়না এদিসনেল ফুদ সেফটি কম্মিস্নর ডা. কে রাজোনা থোকখিবা মেমোরেন্দম অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, ফুদ বিজিনেস ওপরেটর (এফ বি ও) খুদিংমক্না দিরেক্টর জেনরেল ওফ ফোরেন ট্রেদতা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা ইম্পোর্ট-এক্সপোর্ট কোদ লৌগদবনি। মপান্দগী পুশিল্লকপা চান-থক্লবা পোৎলম খুদিংমক দেজিগনেটেদ ওফিসর অমদি ফুদ সেফটি ওফিসরশিংনা চেক তৌগদবনি। কাঙলোনগী ৱাংমদা চান-থক্লবা পোৎলম পুশিল্লকপা থেংনরবদি মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

কোরোনাভাইরস : মণিপুরগী ৩শুবা কেস ওইনা মুম্বাইদগী হল্লকখিবা অমা পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, মে ১৪(ঐচ এন এস):

মণিপুরদা অহানবা অমসুং অনীশুবা কেস ওইনা থেংনখিবা মীওই অনীমক নেগেটিভ ওইদুনা হকচাংগী ফীভম ফগৎলকপদগী নুমীৎ ২৪নি রোম কোরোনাভাইরস ফ্রী ষ্টেট ওইনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি অহুমশুবা কেস ওইনা মুম্বাইদগী হল্লকখিবা খুরাই হৈক্রু মখোঙদগী মশাগী চহী ৩১ রোম শুরবা মীওই অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে।

মীওই অসিগী সেম্পল ঙসি জেনিমস হোস্পিটালদা টেষ্ট তৌবদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মহাক হৌখিবা মে ৫দা মুম্বাইদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মণিপুরী অদুগী মচানুপানি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা মীওই অসি মুম্বাইদা লায়েংলুবা মহাক্কী অপোকপা অমদি অতোপ্পা মীওই অনীগা পূন্না মখোয় মরি হুন্দাই ক্রিয়েটা অমদা তোংদুনা মণিপুরদা হল্লকখিবনি। মীওই মরি অসিনা তোংলকপা গাড়ী অদু হৌখিবা মে ৯দগী মুম্বাই থাদোরক্লবা মতুং মে ১৩গী অয়ুক পুং ১.৩০ রোম তারকপা মতমদা মাও গেটতা থুংলখি। মফম অদুদা স্ক্রিনিং চত্থরবা মতুং নুমীৎ অসিমক্কী অয়ুক পুং ৬ তাবদগী ইম্ফাল তম্লা লাকখিবনি। অদুগা অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপা মতমদা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা থুংলবা মতুং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মোদর্ন কোলেজদা থুংখি। মফম অদুদগী অমুক মীওই ৪ অসি খুরাই হৈক্রু মখোঙদা লৈবা জামিয়া হালিমা অজিজ গর্লস স্কুলদা হাংবা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরকখিবনি। ক্বারন্টিন সেন্টর অসিদা থুংলরবা মতুং সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরমখিবনি। অদুবু পোজিটিভ ওইরিবা মীওই অসিদা কোরোনাভাইরসকী লায়ওং উখোৎরকপা লৈতে হায়রি।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা কেস থেংনখিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কমন কন্ট্রোল রূমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসেনল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মুম্বাইদা লায়েংলুবা মীওই অমগা লোয়ননা হল্লকখিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৩১ রোম শুরবা মীওই অমা ঙসি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মহাক হৌজিক-হৌজিক জেনিমসকী আইসোলেসন ৱার্দতা থমদুনা ট্রিটমেন্ট চত্থরি। মহাক্কা চৎমিন্নরম্বা অমদি নক্না লোয়নরম্বশিং মশক খঙদোকপগী থবক খূদক্তগী চত্থবা হৌখ্রে। প্রিপেরেটরি এরেঞ্জমেন্ট ওইনা সব-সর্ভিলেন্স টিম ৪০ য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা দিষ্ট্রিক্ট রেপিদ রেস্পোন্স টিমশিং (আর আর টি এস) অমসুং সর্ভিলেন্স টিমশিং শেমখ্রে। জেনিমস অমসুং রিমসতসু কোভিদ-১৯ ট্রিটমেন্টকী ব্লোকশিং শেম শাদুনা লৈরে।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবা হোৎনবদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী হল্লক্লবা মীওইশিং নুমীৎ ১৪নি ক্বারন্টিনদা লৈনবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপা মথৌ তাই। মরম অসিনা মীপূম খূদিংমক্লা ষ্টেট অসিগী য়াইফনবগীদমক তেংবাং পীবীয়ু হায়নসু ডা. খোইরোম সশীকুমারনা আপিল তৌরক্লি।

হায় কোর্টতা এম এল এ ৭কী মথক্তা দিসক্বালিফিকেসন কেস

চয়োল অনীগী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪(ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকখ্রবা বি জে পিদা য়াওশিনখ্রবা এম এল এ তরেৎকী মথক্তা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা ফাইল তৌরকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিং অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌনবা স্পিকরদা দিরেক্সন পীবীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকপা রিট পিটিসন তরেৎমক কোর্টনা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা পিটিসনশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্ট পূম্নমক্তা চয়োল অনীগী মনুংদা পাউখুমশিং পীরক্লবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

পিটিসনশিং অসিগী পিটিস্নরশিংনা কোংগ্রেস এম এল এশিং ওইরিবা গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ওক্রম হেনরি, দি দি থাইসি, কৈশাম মেঘচন্দ্র, কাংঙুজম রঞ্জিৎ, সুর্জকুমার ওক্রম অমসুং খুমুকচম জয়কিষননি। পিটিস্নরশিং অসিনা মখোয়গী পার্টিদগী দিফেক্ট তৌখ্রবনি হায়রিবা এম এল এ পাওনম ব্রোজেন, ঙমথং হাওকিপ, ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন, য়েংখোম সুরচন্দ্র, ওইনাম লুখোই অমসুং গিনসুৱানহাউ অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর অমসুং সেক্রেটরিবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা পিটিসনশিং অসি মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। নুমীৎ নীনি চুপ্পা থেংখাং অনীরক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল)শিং অসিগী নম্বরশিংনা ২২০ ওফ ২০২০, ২২১ ওফ ২০২০, ২২২ ওফ ২০২০, ২২৩ ওফ ২০২০, ২২৪ ওফ ২০২০, ২২৫ ওফ ২০২০ অমসুং ২২৬ ওফ ২০২০নি।

পিটিসন পূম্নমক ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা এদভোকেট বোবোই পোৎশংবমনা এসিষ্ট তৌখিবা সিনিয়র এদভোকেট নামোইজম ইবোতোম্বীনা কোর্টতা সবমিট তৌখিবদা মহাক্লো লেপ্লিবা পিটিসনশিং অসি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা চৎলিবা কুমজা ২০২০

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ওনলাইন পেমেন্ট এগজেম্পসনগী মতম শাংদোক্লবা পি আই এল ফাইল তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস):

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা ওইরিবা মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল গেরেন্টি স্কিম (এম জি এন আর ঈ জি এস)কী জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী ওনলাইন পেমেন্টশিং এগজেম্প তৌদুনা থম্লক্লিবা অসি মখা তানা শাংদোকহনবীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

পল্লগা লৈরম্বা মীওই ২৩০০ লোম থুংলখ্রে, ক্বারন্টিন য়াওনা চেকশিন-থৌরাং কয়া লৌখৎলি : সুরেশ বাবু

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ষ্টেট কয়াদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরদগী মীওইশিং পুশিল্লকপগী থবক চত্থরি। মীওই ২৩০০ রোম থুংলখ্রে, ক্বারন্টিন য়াওনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়না চীফ সেক্রেটরী সুরেশ বাবুনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. জে সুরেশ বাবুনা হায়খি, চেন্নাইদা পন্দুনা লৈরম্বা ষ্টেটসিগী মীওই কয়া পুশিল্লকখ্রবা মতুং বেঙ্গলুরুদগীসু ট্রেনদা ষ্টেট অসিগী মীওইশিং ইম্ফালগীদমক থাদোরক্লগনি।

বেঙ্গলুরুদগী লাক্কদৌরিবা মীওই ১৪০০ রোম অসি থা অসিগী ১৭কী নুমিৎয়ুংবদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলগনি। পঞ্জাবতগীসু লাক্লগনি, গুজরাটতগীসু হয়েং ট্রেনদা লাকপা হৌরগনি। নোর্থ ইষ্টকী অতৈ ষ্টেট খরগীসু য়াওরি। জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলবা মতমদা স্ক্রিনিং য়াম্না কন্না চত্থরি।

হেল্থ সার্ভিসেসকী মীওইশিংনা নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পুরগা ক্বারন্টিন সেন্টর-শিংদা থমগনি। ক্বারন্টিনদা থম্বা মতমদা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাং অমদি মেদিকেলগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। টেষ্ট তৌবা মতমদা নেগেটিব ওইবশিংদি ময়ুমদা হনবা য়ারে। ময়ুমদা চেকশিন্না অদুমক লৈজবা য়াই। ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা অকোইবগী মীওইশিংনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

মালেমদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মীশিং লাখ ৩ হেনখ্রে

কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বদা ইন্দিয়ানা ১২ শুবদা লৈরে

ন্যু দিল্লি, মে ১৪ (এজেন্সি):

মালেম পূম্বদা তমথীরবা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশীং লাখ ৩ হেনখ্রে। কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা ১২শুবদা লৈরে।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশিং ৩৭২২ হেনগৎলকপগা লোয়ননা অপুনবা কেস মশিং ৮২,১০৩ য়ৌরে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মীশিং ২,৬৪২ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ২৬,২৩৮নি।

রিপোর্ট অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বদা ইন্দিয়ানা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ১২ শুবদা লৈরে। মালেমদা লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিং ৩,০১,৬৮৯ শুরে। অপুনবা কেস মশিং ৪৪,৯১,১৫৮ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১৬,৮২,৮৭২ নি।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৮.০২ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.৬৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৩৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫১

HL Poll

Q: Education Department na launch toukhiba website na state asigi maheiroisingda chaona kannaba fanghal-lagani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Prime Minister na lupa crore lakh 20gi economic package laothorakpana shenmitlongi fibam fagathanba ngamlagani khanbra?

Yes 25% No 75%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগী ওনরেরিয়ম হেনগৎলগনি : নেমচা কিপগেন

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস) :

অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগী ওনরেরিয়ম থাদা লুপা ৩০০০ ওইরম্বা অদু লুপা ৪৫০০দা হেনগৎলগনি হায়না সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা ফোঙদোকখ্রে।

সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, মিনি সেন্টর অমদি অঙ্গনৱাদি হেল্পরশিংগী ওইনসু থাগী ওনরেরিয়ম হেনগৎকনি। হান্না লুপা ২২৫০ ওইরম্বা অদুনা ৩৫০০ অমদি ১৫০০ ওইরম্বা অদুনা ২২৫০দা হেনগৎকনি। অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিংগী ওইনা থাগী পার্ফোমেন্স লিঙ্ক ইন্সেন্টিব লুপা ২৫০ লৈগনি। অঙ্গনৱাদি সেন্টর নীংথিনা চল্লাইবা মফমশিংগী ওইনা অসিগুম্বা ইন্সেন্টিব অসি পীগদৌরিবনি। অঙ্গনৱাদি বেনিফিসরিশিংগী য়াইফনবা মখোয়না থৌদাং কয়া লৌরিবনি। ষ্টেট অসিগী সোসিও ইকোনোমিক প্রোগ্রেসতসু মখোয়না থৌদাং কয়া লৌরি।

সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী রেকোর্দ মতুং ইন্না মণিপুরদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১১৫১০ লৈ। মসিগী মনুংদা মেন অঙ্গনৱাদি সেন্টরনা ৯৯৫৮ অমদি মিনি অঙ্গনৱাদি সেন্টর ১৫৫২ য়াওরি। অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিং অসি ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সার্ভিস প্রোগ্রামগী মখাদা থবক তৌরিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ

...মখা লামায় ৩ কলম ৮

ষ্ট্রিট ভেন্দর লাখ ৫০ অমসুং লৌমী ক্রোর অহুমলোমদা খুদোংচাবা ফংহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, মে ১৪ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা শোক-চিল্লক্লবা শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রল গভর্নমেন্টনা ঙসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা লুপা ক্রোর ৫০০০ গী স্পেসল ক্রেদিট ফেসিলিটি পীরগনি হায়না সেন্টরনা লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিতারমননা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দর লাখ ৫০ রোমদা লুপা লিশিং ১০/১০ তেংবাং পীরগনি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখিবা লুপা ক্রোর লাখ ২০গী ইকনমিক পেকেজগী শরুক অমা ওইনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

মাইগ্রেন্ট ৱর্কর, লল্লোন-ইতিক মচা মচা তৌজরিবশিং অমদি লৌমীশিংগী মতেং পাংনবগী মতাংদসু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, খ্বাইদগী তমথিবা মওংদা লোকদাউনগী চৈথেং ফংলবা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর ক্রোর কয়ামরুমদা থা অনী চুপ্পা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহল্লগনি। ৱান নেসন, ৱান রসন কার্দ সিষ্টেম চৎন-হন্দুনা ওগষ্ট থা ফাওবা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর ক্রোর ৬৭ তা কান্নবা ফংহল্লগনি। ষ্টেট লৈঙাক্লা পীবা বেনিফিসরি কার্দ পায়জদবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংদা থা খুদিংগী গেহু কেজি ৫, চেঙ কেজি ৫ অমসুং চনা কে জি ৫ পীরগনি। থৌরাং অসি লৌখৎনবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩,৫০০ কায়থোক্লগনি। মাইগ্রেন্টশিংগী লৈফম পীনবা হাউজিং কমপ্লেক্সকী অখন্নবা স্কিম অমসু পায়খৎলগনি। লৌমীশিংদা পীগদবা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, নাবার্দকী খুথাংদা লুপা ক্রোর ৩০,০০০ লৌমীশিংদা তেংবাং পীরগনি। চাওরাক্লা লৌমী ক্রোর ৩ লোমদা কান্নবা ফংহনগদৌরিবা থৌরাং অসিনা মতম চানা মহৈ-মরোং পুথোকপদা মতেং ওইনরগনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

থোই লাইশ্রম, বামোন লৈকায় মঙ্গে মখোঙ

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা পীরকপা চৈথেং কয়া খাঙদুনা মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংবু মরমদম মণিপুরদা পুরক্লবা শীনবিবগীদমক লৈঙাকপু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। লোয়ননা মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়াবু মীয়ামদা পাউ পীবিরিবা হুইয়েন লানপাউ পাউচেবুসু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই কয়া পুশিনবিরকখ্রে। লৈঙাক্তা মখা তানা হায়জ নিংবদি হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী অৱা-চৈথেং খাঙদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংবু অথুবা মতমদা পুবিরক্লবা শীনবিয়ু। চিরবা তানফম অসিদা লৈঙাক্লা লৈবাক মীয়ামগী খল্লগা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা মতেং কয়া পাংবিরিবা অসি উবদা থম্মোয়দা অপেনবা অমদি ফাওই। লৈবাক মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিংদা মতেং পাংবগা লোয়ননা পুন্না চৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা লোদকদাউন অসিনা অমুক মখা শাংথরকপা তারগদি হান্নদগী ৱাদুনা লৈরিবা অসিগী মথক্তা অমুক হেন্না ৱাবা হায়বদু ওইগনি। মরুওইনা নোংমগী থবক শুদুনা চাজরম্বা মীওইশিংদদি অচৌবা চৈথেং অমা পীবা হায়বদু ওইরগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা পূম্নমক অসি উবিরদুনা মখা তানা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌবিয়ু হায়জরি।

ক্ষেত্রিময়ুম রতন, লাঙ্গোল অইং লৈকায়

দিপার্টমেন্ট খরনা ফোরেষ্ট অমদি মণিপুরগী ঙমখৈশিংদা লম্ ওন্থোক ওনশিন তৌবগী থবকশিং অসিদা লৈঙাক্লা কুপ্পা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। নৎত্রবদি তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিংদা চাউনা অকায়বা পীবগা লোয়ননা চয়েৎনবা কয়া লাক্লগনি। মণিপুরগী ফোরেষ্ট লেন্দ চপচানা খঙদোকপীদুনা উমং কন্নবা হোৎনবিয়ু। লাঙ্গোল উমংবুসু কনসি হায়রগদি লোগী মতেং লৌবিদুনা থবক পায়খৎপিয়ু। চয়েৎনবা মণিপুরগী বোর্দর এরিয়াগী লম্শিং ময়েক শেংনা থমহৌনবা কুপ্পা য়েংশিনহন্নিংই। এম এল আর এন্দ এল আর এক্টকী মতুংইন্না মৈতৈ ফুরুপ্পা চিংদা লৈবা য়াদ্রি। মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা য়ুনিফোর্মস লেন্দ লো পুথোক্তুনা চৎনহৌদ্রগদি তুংদা তমথিবা লানফম অমা থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। ষ্টেট অসিগী পাকচাউবগী চাদা ১০০গী মনুংদা তম্পাক্কী লম অসি শুপ্নগী চাদা ১০ রোম খক্তনি। অদুবু মীওই অয়াম্বা তম্পাক্তা লৈরি। চহী খরগী মনুংদদি অচৌবা ইস্যু অমা ওইরক্লগনি মরম অদুনা লৈঙাক্লা হৌক্তিগী হৌনা পোরম-পোমিৎ য়াৎপগী তঙাইফদবা লৈরব্রা হায়না খঞ্জে।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

অস! লোইরেহে!

- সিরা তাদগী হন্দক শাই হায়না থাগৎলকপা য়ুমদো?

- [illegible]



- মানি সার, মমাঙদসু অনী অহুল্লক শাখ্রবা য়ুমনি...!

- [illegible]

পঞ্জাবতগী হল্লকখিবা মণিপুরী ৯৩২ ঙসি জিরিবামদা থুংলরগনি

কর্নাটাকাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১,৫০০ রোমসু বেঙ্গলুরুদগী স্পেসল ট্রেন তোংদুনা লাকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪(ঐচ এন এস):

পঞ্জাবতগী হল্লকখিবা মণিপুরী ৯৩২ হয়েং নুংথিল জিরিবামদা থুংলরগনি। কর্নাটাকাদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরী ১,৫০০ রোম ঙসি নুমিদাং স্পেসল ট্রেন তোংদুনা মণিপুর তম্লা লাকপা হৌখ্রে।

মে ১৩দগী পঞ্জাবকী সরহিন্দ রেলৱে ষ্টেসনদগী ট্রেন তোংদুনা থোক্লকখিবা মণিপুরী ৯৩২ হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপা মতমদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলরবা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা পানরি। চেন্নাইদগী লাকখিবা মীওইশিং থুংখ্রবা মতুংদা পঞ্জাবতগী অমদি বেঙ্গলুরুদগী লাক্কদবশিং অসি মতৌ করম্না এরেঞ্জমেন্ট তৌগনি অমদি স্ক্রিনিং চত্থগদগে হায়বগী মতাংদা জিরিবামগী দি সী, দল্লিয়ু মালেমঙানবা চেংলৈনা চ্যের লৌদুনা ঙসি মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিং অমদি জিরিবামগী এস পি য়াওনা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। হয়েং পঞ্জাবতগী লাক্কদবশিং অসি থুংলরবা মতুংদা মেদিকেল স্ক্রিনিং অমদি মথৌ তাবা ফোর্মেলিটিশিং তৌরবা মতুংদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মমাং জিরি টিপাইমুখ রোদতা খামদুনা লৈরিবা বস ৭৪দা মীওইশিং অদু মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টকী ক্বারন্টিন সেন্টরদা থিনবগী থবক চত্থগনি। মসিগীদমক শেম শাদুনা লৈখ্রে।

জিরিবামগী দি সী মালেমঙানবা চেংলৈনা ফোঙদোকখিবদা, চেন্নাইদগী ঙরাং মশীং য়াম্লবা মণিপুরীশিং থুংলখিবা অদুবু নীংথিনা স্ক্রিনিং তৌদুনা মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা চৎহনখিনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্কী ওফিসলশিং অমদি সী এস ওশিংবু থাগৎলি। হয়েং পঞ্জাবতগী লাকখিবা মণিপুরী ৯০০ হেন্না থুংলরগনি। মপান্দগী লাকপশিংনা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্তুনা ফেস মাস্ক উপ্পবা, সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লবা, হেন্দ গ্লোব উপ্পা অমদি দষ্টবিনশিং শীজিন্নবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বেঙ্গলুরুদগী ঙসি মণিপুরগী মীওই ১,৫০০ রোম পুদুনা লাকপা হৌখ্রবা স্পেসল ট্রেন অদু মে ১৭তা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলগনি হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫